**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি।

২) মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা হয়েং অমসুং হংচিৎ রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ খুদিংমক সরকারনা ছুতি লাউথোকখ্রে।

৩) মণিপুরগী ইরাং অসি লোইশিন্নবগীদমক রাজ্য সরকারনা লৌফম থোকপা দাইত্ব অদু চপ চানা লৌবীনবা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা আপীল তৌরক্লি।

৪) কোকোমিনা থল্লম্বা পাব্লিক ইম্মরজেন্সি অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে হায়রি।

অমসুং

৫) অবুদাবিগী ক্রাউন প্রিন্স- সৈখ খলেট বিন মোহমদ বিন জয়েদ অল নাহয়ন, নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙসি ভারত্তা থুংলরে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলশিং অমদি সরকার পায়বদা য়াওরিবা এম.এল.এশিংগী অপুনবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ আচরিয়াগা উন্নখ্রে। ইম্ফালগী রাজ

ভবনদা পাঙথোকখিবা রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুগী মাইকৈদগী পোইন্ট ৮ য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু খুৎশিন্নখি।

মেমোরেন্দম অদুদা সু লৌথোকপা, সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীবা য়াদে, ১৯৬১ দা বেজ ইয়ার ওইরগা অথুবা মতমদা রাজ্য অসিদা এন.আর.সি চৎনহনবা, রাজ্য সরকারদা য়ুনিফাইদ কম্মান্দ খুৎশিন্নবনচিংবা য়াওরি।

ক্ষেতিপুরন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থা অসিগী ১ দা কৌক্রুক্কী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবী ঙাংবম ওংবী শুরবালা দেবীগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০ গী এক্স-গ্রেসিয়া খুৎশিন্নখ্রে। সরকারনা লৈখিদ্রবীগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবা ওইনা শেনফম অসি খুৎশিন্নখিবনি হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোরক্লি। পোষ্ট অসিনা মখা তানা হায়- থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবী ঙাংবম ওংবী শুরবালা দেবীগী জে.এ.সিসু শরুক য়াখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অসিগুম্বা মীশি মীনাগী অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা সরকারনা শেলগী তেংবাং পীবা অসিনা লৈখিদ্রবা মীওই অদু মেনখৎপা ঙম্বা নত্তে। অদুমকপু সরকার অসিগী থৌদাং অমা ওইনা ৱারবা তাঞ্জা অসিদা তেংবাং খজিক্তং পীজবনি। লৈখিদ্রবী শুরবালাগী ইমুং মনুংগীদমক মুখ্য মন্ত্রিনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

ছুতি (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী চেকশিন থৌরাং ওইনা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা হয়েং অমসুং হংচিৎ রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ খুদিংমক সরকারনা ছুতি লাউথোকখ্রে।

রাজ্যগী ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী স্কুলশিং, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ত্রেল স্কুল পুমমক থা অসিগী ৯ অমসুং ১০ ছুতি ওইরগনি।

রাজ্য সরকারগী হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা রাজ্য অসিদা মহৈলোইশঙশিং এদেদ, সরকারগী অমদি লন্নাই কলেজশিং থা অসিগী ৯ অমসুং ১০ ছুতি ওইগনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবগীদমক রাজ্য সরকারনা লৌফম থোকপা দাইত অদু চপ চানা লৌহন্নিংই হায়না মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ইম্ফালগী বি.টি. রোডদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা দল অসিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা হায়- রাজ্য অসিদা মমাং চহিগী মে ৩ দগী থোরকখিবা ইরাং অসিদা মীশি মীনা কয়া থোকখ্রে। হৌজিকসু লোইজিং লোইয়াদা লৈরিবা মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনবা অমদি দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম থাদবগী থৌওং চত্থরি। মসিদা অশি অনা, অশোক অপন কয়া য়াওরে। মসি ফাওবদা সরকার লৈতবগী মওংদা অদুমক মীয়াম্বু মীপাইহন্দুনা থম্বসি লাইবক থীবনি।

ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা ৱেদর ইনফোর্মেসন, হেলথ অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

বিভাগ অসিগী ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমারনা হায়- মালেগী হোংলক্লিবা অঙ্গৈং অশাগী খলনা পীবা চৈথেংশিংদগী ঙাকথোকবা অমদি মায়োকনবগীদমক তোঙান তোঙানবা বিভাগশিং পুনশিন্দুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগা লোয়ননা মহৌশাগী হোংলক্লিবা ফিভম অমদি কায়থরক্লিবা খল অসি থেংনবদা ঈ-পাউগী লমদা থবক তৌরিবশিংনসু মীয়ামদা খঙহন্নবা হেন্না চাউবা থৌদাং লৌহন্নিংই। মসিনা মীয়ামসু মহৌশাগী

খল কনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালগী হেদ অমসুং সাইন্তিষ্ট-ই, জে.কে.এস যাদব অমসুং নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথকী নোদেল ওফিসার ডাঃ ৱাই. নেভিদানা ঙসি পাঙথোক্লিবা হিরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা সিজ হোস্পিতালগী চেয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্তর ডাঃ কে.ঐচ. পালিন, মাদরস কেয়ার হোস্পিতালগী চেয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্তর ডাঃ কে.ঐচ. রতন, সিজ হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ এস. জগীন্দ্রো, এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদর ইন্দিয়া, মণিপুর চেপ্তরগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

কোকোমি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাংগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম তিনফম ওইরিবা স্কুল-কলেজ অমদি কৈথেলশিংদা কোকোমিনা থল্লম্বা পাব্লিক ইম্মরজেন্সি অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে হায়না কোকোমিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- পাব্লিক ইম্মরজেন্সি অসিনা মরম ওইদুনা কৈথেলশিং হাংদবা, মহৈরোইশিং য়াওনা নোংমগী চরা তানদুনা হিংলিবশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা খোঙজং অসি হন্দোকপনি।

জিরি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা কোকোমিনা লাউথোকখিবা পাব্লিক ইম্মরজেন্সি জিরিবাম জিলাদা ঙসি নিনি চনবা ওইনা মখা চখুরি। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- পাব্লিক ইম্মরজেন্সি অসিনা মরম ওইরগা জিলা অসিগী লম্বী-শোরোক য়াওনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা মী অমসুং গাড়ি চৎপগী চাং নেমখি। মফম অয়াম্বদা কৈথেলশিং হাংনখিদে। মরক অসিদা, নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা ঙসি এস্কোর্ট লৈতবনা মরম ওইদুনা জিরিবামদা হৌজিক হৌজিক এল.পি.জি পুবা গাড়ি ৫৪, ওইল টেঙ্কর ৬৩ অমদি অতৈ পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩৯ য়াওনা পুন্না গাড়ি ১৫৬ পনদুনা লৈরি।

কেগে (এল)ঃ   কেগে মোইরাং অপুনবা লুপ (কেমকাল)না হায়রি- রাজ্য অসিদা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

মোইরাং কংলাদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা কেমকালগী মচিৎ চৎপা মীশক- কোঞ্জেংবম মুহিন্দ্রোনা হায়- ইরাং অসিদা মীশি মীনা কয়া থোক্লবা ফাওবদা রাজ্য অমসুং কেন্দ্র সরকারনা তুমিন্না লৈশিনবা তৌবীগনু। সরকারনা ইরাং অসিগী ব্রারোইশিন অথুবা মতমদা আপীল তৌরি।

জিরিবাম (এল)ঃ      জিরিবাম অপুনবা লুপ (জাল)না হায়রি- জিরিবামগী নিংথেম খুনৌ নুংচপ্পিদা ঙরাং মীচম হাৎখ্রবা তুংদা ঙসি অয়ুক মোংবুং মৈতৈ খুলদা নোংমৈ অমদি বোমচিংবা কাপশিল্লকপবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। রাজ্য অসি আইন লৈত্রবা লমদমগুমা তৌনিংবতা তৌবগী থৌওং অমা চত্থরক্লিবা অসি সরকারনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবীয়ু। রাজ্য মীয়ামগী পুন্সিদা অকি তুজংবা পোক্লিবা অসি সরকারনা অথুবা মতমদা কোকহন্নবা অমদি শান্তি হঞ্জিন হন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়রি।

মীফম (এল)ঃ   রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা দ্রোনদগী বোম থাদবা য়াওনা রোকেট কাপশিন্দুনা মীচম মীয়ামদা লান্দারিবা অসিগী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্ননবগী পান্দমদা মীয়ামগী মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুম্বো বজারদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু জিলা অসিগী শঙাইথেলদগী কামোং ফাওবগী মনুংদা লৈবা ক্লব ২৬ অমসুং মৈরা পায়বীশিংগী অপুনবা লুপশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা সরকার পায়রিবশিংনা ঙসিদগী নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌদুনা পায়খৎফম থোকপা থবক থোরমশিং পায়খৎপীয়ু হায়না দাবী তৌখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙসি লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংদা লৈবা লিগেল এইদ ক্লিনিক্তা পাঙথোকপা পাউগী

মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিগী ট্রেজরর সনস্বেতা ক্ষেত্রিমযুমনা হায়- থা অসিগী ১ দগী দ্রোনদগী বোম থাদবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী অফবা খুৎশু খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা মীচম মীয়ামদা লান্দারকপা অসি অথুবা মতমদা সরকারনা মরাল লৈবশিং থিদোক্তুনা চৈরাক পীবীয়ু। সরকার অসিনা মীয়ামগী পুন্সি ঙাকপীয়ুম অমসুং রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিনহনবীয়ু।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লিদরস মিট ঙসি জিলা অসিগী নিংথৌখোং ইবুধৌ ওকারেল লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিং শরুক য়াদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি মতৌ করমা শান্তি হঞ্জিনহনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নখি। তুংদা, জিলা অসিগী ওইনা কমিতি অমসু শেমখি।

এআর (এল)ঃ ইন্তরনেসনেল লিটরেসি ডেগী থৌরম অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী খৌপুমগী ইংলিস বোর্দিং স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি প্রমোতি মল্টি লেঙ্গুএল ইজ্‌কেসন: লিটরেসি ফোর ম্যুচুয়েল অন্দরষ্টেন্দিং এন্দ পিছ হায়বসিনি। থৌরম অসিদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

লাইরিক (এল)ঃ রাজকুমারী মিনা দেবীনা ইবা শৈরেং ৮২ য়াওবা তং তাদ্রবদা হায়বা শৈরেংগী লাইরিক ঙসি ফোংখ্রে। থৌরম অদু ইম্ফালগী অয়াংপল্লি রোডতা লৈবা পার্সনেলিতি দিভলপমেন্ট ত্রেনিং সেন্তরদা সাহিত্য একাদমি এৱার্দি- শ্রী ক্ষেত্রি রাজেন্না ফোংখিবনি।

নিট (এল)ঃ পৌরাবীগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা নিট একজাম ২০২৪ দা পৌরাবীদা অহানবা ওইনা ওইনা মায় পাক্লকখ্রবী নোংমাইথেম আরচনাবু ওকখ্রে।

দেদ (এল)ঃ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক য়ুথ হোষ্টেল মনাক্কী ইম্ফাল তুরেল ময়াদা নুপা অমগী অশিবা হকচাং অমা লৈরল্লে হায়না পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মশক খঙদবা অশিবা হকচাং অদু মশক খঙদোকবগীদমক রিমসকী মোর্গতা থল্লি। মীওই অসি কুলৈ কুচুনি, মমায় কোইদানৈ, ফিট ৫ মুক ৱাংই, জিন খোঙগ্রাউ অমা শেৎলি, অঙৌবা মচুগী টি-সার্ট অমসু লিৎলি হায়রি।

অবুদাবিঃ অবুদাবিগী ক্রাউন প্রিন্স- সৈখ খলেট বিন মোহ্মদ বিন জয়েদ অল নাহয়ন, নুমিৎ হুমিগী সরকারগী খোঙচৎতা ঙসি ভারত্তা থুংলরে। মহাকপু এয়ারপোর্টতা কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হরাউ তয়ামা ওকখি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা ক্রাউন প্রিন্সনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ন্যু দিল্লিদা উন্নগনি। খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎলক্কনি হায়বগী আশা তৌরি। সৈখ খলেটনা মন্ত্রিশিং, মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং, করবারৱালাশিং অমসুং শেল থুমগী লমদা খঙহৈরবা লৈবাক অদুগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমসু লোয়নরক্লি। মহাকা রাজঘাৎতা লৈবা মহাত্মা গান্ধিগী সমাধিদা চত্তুনা জাতিগী মপাগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মুম্বাইদা পাঙথোকপা বিজিনেস ফোরম অমদা শরুক য়াগনি। মদুদা লৈবাক অনিগী লল্লোন ঈতিক্কী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

মহাকা মরুওইবা হীরম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱারী শান্নবতা নত্তনা লৈবাক অনিগী শক্তি লৈরবা শেল থুম অমসুং কালা সংস্কৃত্তিগী মরীবু উৎপা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লখনৌগী বিল্ডিং নিংখায়বদা শিখিবা মীওইশিংগী ইমুং মনুং অমসুং অশোকপশিংদা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। রাষ্ট্রপতিনা অশোকপশিং অদু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরদা থৌনিরি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ অনি অনিগী এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অশোকপশিংগী ওইনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়রি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা প্রধান মন্ত্রিনা অশোকপা অমসুং লৈখিদ্রবশিংগীদমক অৱাবা ফোংদোরক্লি।

পুরস্কারঃ প্রধান মন্ত্রি-রাস্ত্রিয়া বাল পুরস্কার ২০২৫ গী নোমিনেসন পীখৎপগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ১৫ নি। মনা অসি ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না চহি খুদিংগী জানুৱারী থাদা পীবা মনানি অমসুং মসি ফংগদবা মীওইশিংগী মিংনা চহি অসিগী দিসেম্বর ২৬, বির বাল দিবসতা লাউথোক্কনি।

অঙাংশিংগী তৌবা ঙম্বা শক্তি হেনগৎহনবগা লোয়ননা অচেৎপা ফিরেপ লৈহন্নবা অমদি হৈনিংবা পোকহন্নবগী পান্দমদা মনা অসি পীবনি। চহি ৫ দগী ১৮ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংনা রাস্ত্রিয়া পুরস্কারগী ওফিসিএল ৱেৱসাইটতা নোমিনেসনশিং থাগৎলকপা য়াগনি হায়রি।

পালনঃ মালেমগী লাইরিক ময়েক চৎপা নুমিৎকী পালন থৌরম ঙসি পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি-'তোঙান তোঙানবা লোলদা তাকপী তম্বীবা, শান্তি অমসুং অমগা অমগা ভাব তান্নহন্নবা শিক্ষা' হায়বসিনি।

চহি খুদিংগী সেপ্তেম্বর ৮ অসি মীয়ামদা লাইরিক ময়েক চৎনহন্নবগী মরুওইবা অদু নৌহৌনা নিংশিংনবগীদমক নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোক্কুনা লাক্লি। ভারত সরকারগী স্কুল এদুকেসন অমসুং লিটরেসি বিভাগনা শিনদুনা স্পেক্ত্রম ওফ লিটরেসি হায়বা মালেমগী ওইবা মীফম অমসু নুমিৎ অসিগী মাংওইননা ঙরাং পাঙথোকখি।

------